
# জাতক্কী শৈরোল

## মৈতৈলোন্দা ইথোকপা : বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা



### খৈরোই অমদি লিন

বরানসী সহরদা নিংথৌ ব্রহ্মদত্তনা,
পাল্লিঙৈগী মতমদা পোকখি বোধিসত্বনা।
মহৈ-মশীল হৈরগা লাইনীংববু ওইদুনা,
লৈখি হিমালয়দবু পুন্সি ত্যাগপু তৌদুনা।
মানা লৈবা 'দুৱাইদা খৈরোয় অমা লৈরম্মী;
থোইদোক্কবু লাপ্পদ' লিন 'মসু লৈরম্মী।
মহৌশাগী-মহৌশা লিন খৈরোই অনীদি,
খৎনবনা মশিলনি উনরকপা কালদদি।
বোধিসত্ব লৌশিংবা তোয়না পাউতাক পীরম্মী;
খৎনবগী ফত্তবা মখোয়দবু তাক্লম্মী।
নোংমা বোধিসত্বনা অসুম চৎথোক্লকপদা,
উখি খৈরোয় তূম্লম্বা ময়া কাখৎ মকোন্দা।
'করিগীনো?' হংবদা খুমখি খৈরোয় অদুনা,
'ইপা ও! লৌশিংবা, নঙগী পাউতাক তুংইন্না,
কাউখরেদো ঐহাক্না য়েক্ল-ৱাখল থায়নগী;
'বুদু থাবা ঙমজদে চিংনবদি মহাক্কী;
কৈদৌনুংদা য়েকন'বু তূক্কৎচবা তৌফদে;
করি নোংদা মরূপপু থাজবসু থম্ফদে।
কিদবদ'ই হৌরকপা অকিবদি কৌবনা,
মাঙহন-তুমহন-তাকহল্লি থবক পূন্বা মদুনা।'
বোধিসত্ব লাইনীংবা হায়খি খৈরোয় য়েংদুনা,
'হায়রবনি লিন্দসু তাথীননু হায়দুনা;
মরম 'সিনা খৈরোয় ও! মাবু চিংন তৌরনু;
ফত্ত-ৱাখল মরূপপ্তা অমুক হন্না খল্লনু।'
বোধিসত্ব লৌশিংবা পাউতাক কয়া পীবিখি।
অচুম' চৎপা মখৈনা শির' স্বর্গ কাজখি।

# অঙাংগী ৱারী

– রঘু লৈশাংথেম

## মৈরাবা



*নুপামচা* অমা নুংশিৎকা লমজেল তান্নরি। মীয়াম্না খুবাক খুরি। নুপমচা লমজেল চেনবদা অৱাবা অমতা লৈতে। মাদি অঙাং ওইরিঙৈদগী খুনদা চেন চোংদুনা শান্নরকই। উচেকশিংনা পাইরগা নুপামচানা মতুং ইন্নদুনা চেল্লি।

নুপামচাদুগী মমিং মৈরাবা কৌই। য়াম্না লায়রবা খুঙ্গংগী ইমুং অমদা পোকপনি। চীংদা চৎতুনা শীঙ চল্লি। পাৎতা কুমদুনা ঙা ফাই। চীংয়াগী খুন ওইবনা কৈথেলসু য়াম্না লাপ্লম্মী। লাপখ্রবা কৈথেলদুদা শীঙ পুদুনা য়োল্লি। পাৎতগী ঙা ফারুরগা কৈথেলদুদা ঙা য়োল্লি। চেন চেন্দুনা কৈথেল য়ৌই। শীঙদু য়োল্লগা চেঙ, থুম-মোরোক লৈরগা ময়ূম তম্না অমুক চেল্লকই। মঙোন্দদি শাংলবা লম্বীদু মিৎকুপ খরদনি। অদুনা খুনগী পাউথাং অমা লাকপদা মৈরাবনা চেন চেন্দুনা শন্দোকই।

মৈরাবা অচুম্বা চৎপা নুপামচানি। মীনা মাবু নুংশি। অদুনা লৈকায়গী খুনগী থবক খুদিং য়াওই। মরম ওকপা অঙাংনি। নোংমদি ভিক্ষারী হনুবী অমা লাকই। মানা মখূৎ শমদুনা পুই। য়ূমথোং য়ূমথোংদা পুই।

নুপামচানা খুনগী মীশিংদা হায়, ভিক্ষারী হনুবীদা চেঙ-চাক হাপ্পীয়ু। মহাক খুনসিগী হনুবীনি। শিবগী মতম ঙাইদুনা লৈরবীনি। হনুবীবু নুংশিবীয়ু।

হনুবীনা নুপামচাগী ৱাহৈ তাবদা মপি তানা কপ্পী। মৈরাবনা মপি তৈথোকপী। মতমসিদা হনুবীনা হায়।

– ঐ পোকপগী মহয় য়াল্লে। ইশু মৈরাবনা ঐগী সেবা তৌবসিদা ঐ পেল্লে। মসি মীওইবগী চৎনবীনি। মচা-মশু পোল্লিবসি হনুরাকান্দা সেবা তৌবীনবনি। সিনিনে তাইবংপান হায়বদু। হনুবী হিক হিক কপ্পী।

লৈবাক অদুগী রাজকুমারী অমা লৈ। মহাকসু শান্নবা য়াম্না পাম্মী। রাজকুমারীগী মতৌদা মপাবুং নিংথৌসু শান্নবদুদা পূক্নিং থৌগৎলমই।

নিংথৌনা রাজকুমারীগীদমক শান্নবগী ওজা কয়া কৌদুনা তমহল্লম্মী। রাজকুমারীদু লৈবাক অসিগী অফাওবা শান্নরোয় ওইখ্রে। লৈবাক লৈবাক কয়াগী শান্নরোয় মায়থীবা পীদুনা সনাগী মেদল কয়া লৌরক্লে।

নোংমদি নিংথৌনা রাজকুমারীগী বর অমা পাল্লম্মী। রাজকুমারীদা নিংথৌনা হংই। করম্বা বর পাম্বগে। রাজকুমারীনা হায়-

– পাবুং মহারাজ ঐগী বরদি ঐঙোন্দগী লমজেল থোইবা ঙম্বা নীপাদু ঐগী বর ওইজগে।

রাজকুমারীগী অপাম্বদু নিংথৌনা য়ারম্মী। নিংথৌনা মনাই মশল কৌদুনা লৈবাক মীয়াম পূম্বদা লাউথোকহল্লে।

পাউ অসি তাউ। লৈবাক নিংথৌগী পাউজেলনি। রাজকুমারীগী বর অমা খনগনি। বর অদু রাজকুমারীদগী লমজেলদা থোইবা ওইগদবনি।

পাউদু মৈরাবা তারে। কোনুং চৎপদা শেৎ-ইন্নবা ফিদি লৈতে। খল্লি, হন্না হন্না খল্লি। লমজেলদু য়াম্না চেন্নিংই। অরোইবা ৱারেপ লৌরে।

রাজকুমারীগী বর ওইবা ওইদবা লমজেলদি চেল্লগে। লায়রবা মচানি রাজকুমারী পীনিংদ্রবসু য়াই। লমজেলদি চেন্দবা য়াদ্রে।

কোনুংদনি। রাজকুমারী অমদি লৈবাক কয়াগী রাজকুমারশিং লমজেল চেন্নবা থৌরাং তৌরি। মৈরাবা চঙলকই। খুদৈ মচা অমা শেৎলি। খোঙউপ তোংদে।

কোনুংগী অঙম্বশিংনা মৈরাবদা চঙবা থিংই।

– হে! নুপামচা নঙ কদাই চঙদোইনো?

– ঐ লমজেল য়াওজগে। ঐ লৈবাক অসিগী চীংয়াগী খুন অমদগী লাকচবনি।

মৈরাবগী চমোৎনবা মতৌদুদা অঙম্বশিংদু নোকই। অঙম্বা অমনা হায়। নুপামচাসিসু মী অমনি হায়দুনা রাজকুমারী পাল্লিমানে। ঙম্লে হায়না খল্লো রাজকুমারীনা করিসু লৈনিংলোই।

– চৎলো চৎলো লমজেল য়াওবা য়ারোই।

– মৈরাবনা হায়, ঐ য়াওদা য়াওজগে। অমুক্তা য়াবীয়ু।

নিংথৌদু অঙম্বশিংগা ঙাঙনরিবদু তারম্মী।

– অঙম্বশা করি হায়রিবনো নুপামচাদুনা।

– মহারাজ লমজেল য়াওগে হায়রিবা।

– করিনোনে অঙাও-অফৈসু লমজেল য়াওগে হায়রিদুবু। ফরে-ফরে য়াওহল্লু। মফিসু নিংথিনা শেৎ চাদে। ঐগী লৈবাক্তবু অসিগুম্বা লায়রবা লৈব্রা? ঐদি ঙসিদা উইনে। য়াওজরসনু কুম্মৈ য়েংবা হায়বদুনি। মশা মউদি ফৈ। মশাগদি য়াম্না কল্লমগনি।

মৈরাবা কপ্পা-কপ্পা লমজেল চেনফমদা চঙখি। লৈবাক অমগী নিংথৌনা য়াম্না থিনা ঙাঙবদু মথৱায় য়াম্না নুংঙাইরমদে। অদুবু লাইবক য়েংলগে খল্লে। নুপামচাগী থৌদাং উৎলগে।

লমজেল থাখ্রে। রাজকুমারীনা মমাঙ থাই। ময়াম্না খুবাক খুই। মৈরাবা রাজকুমারীদগী হেনগৎলকই। ময়াম ইঙক ঙকই। রাজকুমারীদগী য়াম্না তাম্না হেনখ্রে। মৈরাবা লমথুংফম য়ৌরে। অদুগা নুংঙাইনা ফম্লগা রাজকুমারীনা চেল্লকপদু য়েংই। নিংথৌ অমদি অঙম্বশিং ইঙক ঙকই। রাজকুমারীসু থুংলরে। মৈরাবদি খুবাক খুরি।

লমজেল লোইরে। মৈরাবা ময়ূমদা হনজরগে নিংথৌদা খুরুমই।

নিংথৌ ইঙক ঙক্লা হংই মৈরাবদা।

– লমজেল অসি করিগীনো খঙলব্রা নুপামচা?

– খঙজে ইনিংথৌ। রাজকুমারীগী বর খনবগীনি।

রাজকুমারীদগী হেনবা লমজেল্লোইবু বর ওইনবগীনি।

– অদুগা নয়ূমদা হল্লগে হায়রিবনা করিগীনো?

– ঐদি লায়রবা মচানি। চমোৎনবা নুপামচানি। ঙসিগী চরা চানবা চেঙ ফাওবা লৈজদে। লায়রবা ঐনা করম্না রাজকুমারীগী বর ওইগনি। ফুরিৎ লৈতে। খোঙউপ লৈতে। শেৎলিবা খুদৈ অসিসু অমনবনি। খুদৈ অনীশুনা শেৎনীংঙাই লৈতে।

ইনিংথৌ ঐ তোল্লবা লায়রবা মচানি। করম্না রাজকুমারীবু লৌগনি। লমজেল হায়বসিদি ঐগীদি মশান্না অমনি।

মতমদুদা নিংথৌনা হায়,

– নুপামচা মৈরাবা নঙগী থৌনা নরিংজেল ঐ খঙলে। নঙ বর করিগী ওইরোইদগে?

– রাজকুমারী মৈরাবগী মনাক্তা চঙলকই। ঐনা খনজরিবা বর অসি লায়রবা ইনাকখুনবা নৎচদে। মথৌনা মরিংজেল লৈবা মীশক অদুনি। ঐগী বর ওইবিয়ু। অদোমগী খাংপোকশঙদু ঐগীসুনি। চৎলসি হৌজিক্তি খুন্দুদা। ঐ 'লৈ পরেং' অসি হুকচরি। অদোমগী থৌনা ফবগী লৈ পরেংনি। ইখূৎমক্না হুকচরিবসি ঐগী পুন্সিগী বর অমগী ঙকশমদনি। নিংথৌ অমসুং অঙম অথৌশিং অশির্ব্বাদ পীরি।

মতমসিদা মৈরাবগী খুনগী উচেকশিং পাইরকই।

মৈরাবা অমসুং রাজকুমারীদা লৈ চাই।

---

হুইয়েন লানপাউগী তাবুনুংদৈ

০৭/১০/১৯৯৬, নিংথৌকাবা

# নেসনল হায়ৱেদা মরী লৈনবশিংগী মীৎয়েং চঙবিয়ু

— বীরেন্দ্র লাইশ্রম —

**নেসনল** হায়ৱেবু থওইদনা লৈফম থোক্তে। মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা লৈরিবা মীওই খুদিংমক্কী থৱায়নি। উখ্রুল, চুড়াচান্দপুর, তমেংলোং, চান্দেল অমদি তম্পাক্কী লমদমসিদা লৈরিবা পূম্নমক নেসনল হায়ৱে অনী অসিদগী পুশিল্লকপা পোৎ-চৈ চা থক্তুনা হিংবা ঙাক্তনি। হায়ৱেশিং অসি থিংজিনবনা অৱাবা তারবা মীওই কয়ানা চৈনা খাঙবগী লাউরকপা মতমদা মীয়ামগী লৈঙাক্লা হায়ৱে বন্দ তৌরিবা কাঙবুদা পূক্নিং চঙলক্কনি হায়দুনা মীয়াম্বু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবা অসি তরাইনা লৌফম থোক্তে। মণিপুরদা লৈবা, মরু ওইনা মীতৈশিংবু নুংশিদবা মী য়াম্না লৈ। মীতৈনা ৱারগা তুমিন্না হরাউবা মশীং ৱাৎলল্লোই। মরম অদুনা তম্পাক্কী লমদম হায়রগা মীতৈ ঙাক্তবু ওইনা উবগী মহুত্তা তোঙানবা চীংমী কাঙলুপশিংনা তম্পাক্কী মফম ৪৫/৪৬ রোমদা খুন্দারিবা অসিগীসু খন্দুনা মীতৈবু নুংশিবিদবগী চাং খরা হন্থবিবা ফৈ।

হন্দক্তা কুকিশিংনা সদর হিলসপু তোঙানবা রেভিন্যু দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইহনবগী খোল্লাওদা হায়ৱে বন্দ তৌবগী থবক পায়খৎখি। মতম অদুদা লম্বীদা ইন্দিয়াগী লাম্মী পরেং পরেং লৈনা লৈনা উপাক্তা য়োৎপী য়ৈরগা গাড়ী টায়র হোনবা লাং থাকপা, নূং মপৈ পৈদুনা থম্বা, চীংথক্তগী নূং ওন্থহল্লকপদা য়েং-য়েংদুনা লৈবা কয়া য়াওখি হায়বসি অচুম্বরা থিগৎফম থোকই। মসিদা নত্তে বন্দ তৌরিঙৈদা চীংথক্তগী নোংমৈ কাপশিল্লকপা কয়াসু য়াওখিবনা বন্দ কৌরিবা কাঙবু অসি খূৎলায় পায়বা কাঙবুরা নৎত্রগা খূৎলায় পায়বনা মতেং পাঙবা কাঙলুপলা হায়বসি খন্থনিঙাই ওইরে। অমরোমদনা, হন্দক অমুক নাগা কাঙবুনা সদর হিলসপু রেভিন্যু ওন্থোকপদা য়ানিংদবদগী লৈঙাক্কী ফিরেপকী মায়োক্তা নেসনল হায়ৱে অমুক বন্দ কৌদুনা মণিপুরগী মীওই কয়াদা অকায়বা, অৱাবা অমদি খোইরাং খোইশাওনবা পীরি। পোৎ চৈগী মমল হেনগৎহন্দুনা হান্ননা ৱাদুনা লৈরবা মীয়ামদা হেন্না অমুক অৱাবা পীরি। মাওদা পন্দুনা লৈরিবা মানগাড়ীগী পোৎ চৈ চাইখাইবা অমদি মাঙহন-তাকহনবা মতমদা সিফাইশিংনা অমসুং পুলিসশিংনা য়েংদুনা লৈ হায়বা কয়া তারে। মসিনা অচুম্বা ওইরবদি য়াম্না থৱায় নুঙাইতনিঙাইনি।

লৈঙাক্লা মরম চাদে হায়না খনখ্রবা ৱাফম অমা বন্দ অমদি অশোক অপন্না মরম ওইহন্দুনা হোংদোক হোংজিন তৌবা অসিনসু মশাগী ষ্টেন লৈজদবা লৈঙাক অমগুম মীয়ামদা উহল্লি। অমরোমদা, ইম্ফাল ময়োলদা কিলোমিটর অমগী অকোয়বদা বটালিয়ন ওফ মণিপুর রাইফলস, সেকেন্দ বটালিয়ন আসাম রাইফলস অমসুং কনটোনমেন্ট এরিয়াদা ইন্দিয়ান আর্মিনা চগুং শানা লৈবগী মহুত্তা মীয়ামগী লাইফ লাইন ওইরিবা নেসনল হায়ৱেদা মরাং কায়না শীজিন্নবা য়াই। ইকোনোমিক ব্লোকেদ কুম্বা নত্তবা অতোপ্পা পাম্বৈনা লৈঙাক্তা অপাম্বা দিমান্দ তৌহন্নিংই। মরমদি সদর হিলসকী ঈরাংদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মীশিং লাক্ষ ২.২১ বু অৱাবা পীবতা নত্তনা মীওই লাক্ষ ১৮.১৬ পুসু অৱাবা পীরি (প্রোজেক্টেট পোপুলেসন ১৯৬৬ তা য়ূম্ফম ওইরগা) মসিদা কান্নবা ফংবা হায়ববু করবারৱালা খুজোক খরখক্তদনি। অমরোমদা ফমজাও পায়বা কাঙবুদি অতাং অতাংবা পোৎ পূম্নমক মখোংদা কৎলগদৌরিবনিনা মীচম মীয়ামশিং নত্তনা মখোয়দি অৱাবা চৈথেং ফংদে। মসিনা ইকোনোমিক ব্লোকেদকী মতাংদনি।

চীংগী ঈরাং হৌরকফমদি নাগাশিংনা গ্রেটর নাগালেন্দগী ৱাখল লাকখিবা অমসুং কুকিশিংনা কুকিগী হোম লেন তাল্লকপদগীনি হায়বা য়াই। অদুগা সদর হিলসপু সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতগী খাইদোক্তুনা রেভিন্যু দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইহনবীয়ু হায়না য়াম্না দেমোক্রেটিক ওইবা দিমান্দ অমা ওইনা তৌরকখিবদা কুকি হোমলেন তাল্লম্বা শরুক অমদা মমীংখক্তা হোদোক্লগা তাল্লকপরা চিংনবদগী নাগাশিংনা য়ানিংদবা ওইরম্বসু য়াই। মসি পূম্নমক অসি হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা করিনো হায়বা অমা হোদ্রোং হোনা উথোক্লবা হোৎনবা ফৈ। পন্দিত জৱাহরলাল নেহরুনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মতমদা 'নাগাগী ঈরাং অসিগী অশেংবা সোলুসনদি করম্বা মখলগী ওটোনোমি অমা পীরগা মখোয়দা কনানসু খূৎ থিংজিন্দে হায়বা ৱাখল অমা ফাওহনবনি, মরমদি - ঐখোয়গী সংবিধান্না মখোয়বু মচেৎ মচেৎ ওইনা লৈহল্লে অদুনা মখোয়বু পুল্লপ ওইনা থম্বগী ওইথোকপা লৈবরা অমসুং থম্ফম থোকপরা হায়বসি ঐখোয়না খন্নফম থোকই' হায়না (শিল্লোংদা লৈবা আসামগী চীফ মিনিষ্টর বি আর মেধিদা নেহরুনা লনাই ওইনা ইবা অরোনবা চিঠি নম্বর ১১৬ পি এম ঐচ/৫৬ নিয়ু দিল্লি, তাং ১৩/৫/১৯৫৬ কী মাপন শুবা পেরা)।

অমবু ওইরে, অমবু ওইরে প্রজা মীয়ামদি নীংতম্বগী লম্বীদা মীশি মীনা অমদি অৱাবগী খোঙথাং কয়া থেংনহন্দুনা শিবা হিংবা অনীনা থৌরি চিংনদুনা লৈরগা নীংতম্বগী মঙ মঙনবা মীৎ উইশিল্লু হায়বা য়াদ্রবা মতমনি হায়বসি খঙনরগা য়াম্না ময়েক শেংবা গ্যান তাহনবা ঙম্বা আর্গুমেন্ট পীদুনা ফংফম থোকপা তানবা নত্তদুনা অতৈ উপাই শীজিন্নরবদি মীয়াম্না ৱেল কম তৌবা ৱাৎকনি। পূক্নিংগী ওইবা অরোনবা কয়ানা ফুমদুনা থম্লগা অশাউবগী থৌওং য়েংলগা খঙউ হায়বা য়াবা নতে। দিষ্ট্রিক্ট মশীং হেনগৎপা হায়বসি তৌফম থোকপা ওইরবসু মীওই লাক্ষ অনীখক লৈবা মফম অমদা দিষ্ট্রিক্ট অনী লৈবা হায়বসি নোক্নিংবা ৱানি। অদুগী মহুত্তা লৈঙাক্লা লৌখৎপা য়াবদি হান্নগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী বাউন্দরিশিং অসি শেমদোকপনি। তম্পাক্তা লৈবা চীংমী পূম্নমক চীংগী লমদা চলহন্নবা হোৎনরকপগুম চীংদা লৈবা তম্পাক পূম্নমক তম্পাক্কী লম ওইহনগদবনি, মীতৈগী মীংদা লৈরম্বা অরিবা মফম পূম্নমক মীতৈগীনি হায়না খন্দোকপগা লোয়ননা হান্নগী জিলাশিংগী পাক চাওবা হোংদোক হোংজিনগী মতম লাক্লে। অসুম্না মীতৈশিংনা নাগা কুকিশিংগী মরক্তা খুন্দাদুনা লৈরবা মতমদা শান্তিগী ৱারী শান্নদ্রবসু শান্তি লাকপা ঙমগনি। মসি ঙম্নবা এসেমব্লিদা প্রপোজ তৌনরগা সংবিধান শেমদোক্লবা পার্লিয়ামেন্টতা থাগৎফম থোক্লে।

হৌজিক্কী ঈরাং মতা অসিদংবু নেমগনি হায়রবদি মখোয়না পাম্বা পূম্নমক পীদুনা নেমথহল্লন্নগা গভর্ণর ওইনবু চৎখিনবা ৱানোম্বা নৎত্রগা মণিপুর থাদোক্লল্লগা হোংকোংদবু চেনখিসিরা খনবা খরসু য়াওরমগনি। ভুট শান্নরগা লোইশিনবা হৈত্রবদি ঙাওবনি। ইকোনোমিক ব্লোকেদ হায়বসি মীয়াম ৱাহন্নবগী মমী তাই- ঈরাং থোক্তনবা শিনবা ফৈ লোয়ননা হায়ৱে থিংলিবা কাঙবুনসু অতোপ্পা উপায় শীজিন্নবা ফৈ।

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাঊদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## হট্টা কাংজৈবুং

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**এদিটরগী** নফমদা ইকায় খুম্নজবগা লোয়ননা ৱাহৈ খরদং থমজরি। অখঙ অহৈ কয়াগী ৱাখল্লোন্দা কলম্না, থাঙদগী হেন্না থৌই, অশিংবশিংনা অপংবা য়াওশিংবু শেন্নরি। হিয়াং য়েংলিঙৈদা তুম্বাগী শেল থৌই, ফম্বা চল্লগা হিপ্পা চল্লি, মরক থৎনা লম হেঞ্জিন্নবগী শম্বলগী ৱাথোক ৱায়াম কয়া অমা লৈখায় তাদনা লৈরিঙৈ মরক্তা আই এল পিগী ঈহৌ ঈহৌনা বন্দ, ব্লোকেদ, মৈরা পরেং, ৱাকৎ মীফম ইরোইননা চহী খুদিং' জুন ১৮ কাওঙমদ্রবা থৌদোক ময়ামগী মরক্তা হাট্টা কাংজৈবুংগী য়ূমলেং পরেংনা করম্না; হরাউ কুম্মৈ লোইরদুনা কৈবুল লমজাও নেসনল পার্ককী সঙাই ময়ূমদা হনখ্রে। মতম অমদা হট্টা কাংজৈবুং কনানা লম কল্লমই, মীওই কয়াবু তান্থোক্তুনা অপাকপা শান্নবুং কনানা ওইহনখি। পূম্নমক তুংওইনরগা হৌজিক ফাওবা শিদোক্তনা থল্লিবা জাতি খুদিংগী য়ূমলেং অহাং' লম্পাক ওইহন্নিংদবগীরা নৎত্রগা লৌথুপ লৌকোয়গী কিশি অমা মনুংদা কিশিনদুনা থম্বীবগীরা সঙাই চৎখ্রে, য়ূমলেংশিংদি লৈহৌরি, মথংগীদমক্তা ঙাইরি। উৎলৌ চাওবনা মিনিষ্টর ওইরিঙৈ ৱারীনি শগোলশিংগীদমক্কি, শান্নফমনি হট্টা কাংজৈবুং।

ওইজবা ফংনবা হোৎনবদি মীয়ামদা নমথাক তৌবা তাবনি। খন্নরি নৈনরি হোৎনরি হায়বনা মীয়াম্বু কাওহনবা য়াবগী পরিং অমনি। খন্ন নৈনবা লোইফম থোক্লরোই ফজখ্রবা সিটি কনভেন্সনসু মনাক নক্লি। মসিসু লম খোপচিল্লম্বা তানখায়খিবনি।

অরোইবা ওইনা হট্টা কাংজৈবুং সঙাই ফেষ্টিভেল কাংজৈবুং হায়গদ্রা নৎত্রগা ফুরুপ খুদিংগী মমিং থেৎলবা সহরগী য়ূমলেং পরেং হায়গদ্রা মমিং হোংবা তারবরা হট্টা কাংজৈবুং।

*অদোমগী - এম নিলকুমারি দেবী*

## লোবু ফাগী তাহনগুমসি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**'লো'** হায়বসি ঈশ্বরনা ঐখোয়গীদমক শেম্বীরম্বা নত্তে, তাইবঙ মীনা তাইবঙ মীগীদমক শেম্বনি অদুবু মীচং শঙ্গ লৈবা মতিক ময়ায় চেনবা মীদদি করিগুম্বকান্দা লো চঙদে হায়বসি পূম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু মতু শোনবা মীদদি কোমা অমত্তা চিথদনা লোগী মগুন অসুক্কী মতিক চাওই। য়াইতোং খমদোংবা অঙম্বা মীশিংনা য়াবা য়াম্না নকশিন্নবা মীশিংদদি হুরাল্লবসু মী হাৎলবসু লো লৈতে হায়বা য়াই। মখোয়না থৈদোক থৈজিন তৌখিনি, অদুগা মখোয়না য়াদবা মীদদি লোগী অর্থ হন-হন্দুনা খূৎলাই ওইনা শীজিন্নহল্লি। ঙসি মণিপুরদা থোক্লিবা লাংলিবা থৌদোক ৱাথোকশিংসি ঐখোয় পূম্নমকপু লুচিংবিরিবা ইকায়খুম্নরবা লুচিংবশিংনা পুকচেল শেংনা ঐগী মীগী খায়দনা থবক তৌরবদি চাম্মদা মরিফুতরাদি হন্থহনবা ঙমগনি খল্লি। ফ্রিদম ওফ স্পিচ, ফ্রিদম ওফ রাইটিং লৈরগসু মনুংদা লৌ তৌরিবা ময়ামসি শেংনা-শেংনা হায়রবা নৎত্রগা ইরবা অদু ওইরবদি মীশক অদু নোংঙান্দ্রিঙৈদা লৌখৎলগা মাঙহন্নবা হোৎনখিনি। মতাংসিদনি খন্থরুবা খুদিং হূমাং কাংদুনা হায়নিংবা কয়া ঙাঙনিংবা কয়া ইচিল মেল্লিবা। মনুং থিংনা খঙ হৈরবা হৈথোই শিংথোইরবা মীশিংনা থিন-থিন্দুনা তাকপগী মহুৎ নাকোইননা হায়বা নৎত্রগা ইরিবসি।

হন্দক মণিপুরদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিংসি নাশিখোংদা তাইনৈ হায়বদুগা চপ মান্নে অদুনা মীপুম খুদিংমক্কী থম্মোয়দা খোইদৌ শাওগৎপা ঙাঙনিংবা ৱা কয়া মশা মশাগী মচিন্দা ফিবুল নমজবা, অশেং-অশেংবা ৱাদু হায়দোকপা ঙমদবা অমদি পেন্দবা ময়াম থম্মোয়দা ফুমজিনবা অসিনি। হুরানববুনা দোলাই তোংহনবা, হুরানবা ফারুবা মীবুনা লো লৈ হায়দুনা জেলদা থমজিনবা অসিগুম্বা ওন্ন তৈনবা লোদি মণিপুরগী মীয়ামশিংগী থম্মোয়দা নোক্লিংবা ফাওজৈ। মতাংসিদা অইবনা এদিটরগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরিবদি লো হায়বসি তুং-মাং য়েংদনা মীপুম খুদিংমক্তা চপ মান্ননা লৈহন্নিংই অমসুং লোবু ফাগী তাহনগুমসি হায়নিংঙি, অদুনা লৈবাক্কী মপি-মপা ওইবশিংনা পুকচেল শেংনা থবক তৌহন্নিংই অদু ওইরবদি মণিপুর মাংলোমদা চত্তুনা চাওখৎপা মণিপুর ওইবদা মতেং পাঙগনি হায়জনীংই।

*অদোমগী - লৈমপোকপম জেকেন্দ্রা সিংহ*
*লাইফম খুনৌ ইম্ফাল ইষ্ট*

## সন্দ্রেম্বী ইমাদি খ্বাং য়ৌরেদো!!

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মণিপুরগী** দষাদি সন্দ্রেম্বী চাইস্রাগী 'ইবেম্মা ইমাদি খ্বাং য়ৌরেদো' হায়বা মতাং অদু য়ৌশিল্লক্লে। অদু ঐনরা? নখোয়না হান্না তোঙান্না খুল্লিংলম্বগী মহয়নি। অদুবু তোঙান্না খুল্লিংহল্লিবা অসি কনাগী পোলিসি প্রোগ্রামনো? মদু ঐঙোন্দা হংলিবরা? সোরারেন্দা হঙ্গৎনা তিন শিৎকৎচরবদি ইমাইদা তারকপা মশানা তাজবনি। কনাদসু দোস তৌফম থোক্তে। ইশা ইকন কল্লিবা ঐঙোন্দা কেন্সরগী লায়না নারক্লিবা অসিসু ইশানা লাকহঞ্জরিবা, থোকহঞ্জরিবা ওইরগদ্রা? নখোয়না নশাবু চেকশিনজদ্রগা কনাদা তাইনগে হায়রিবনো? অদু ওইরবদি মীগী ইথিন্দি খন দবা ওইরগদ্রা? নৎত্রবদি কনাদা তাইনগে হায়রিবনো? লায়েংলিবা দাক্তরদা তাইনগে হায়রিবরা? কোংগ্রেসনা য়োক্লম্বা, হৌজিকসু য়োক্লিবা অসিদা বি জে পিনা য়েংশিনবা লাক্লিবসিদা পুমতাই তাইনগে হায়রিবরা? মদুমক্তি নৎচদেদা মমাঙদা চাংয়েং তৌখিবগী মহয়সু অদুম মরৈখিদা। থয়াইনবা থম্ননুসি ময়েক শেংদোক্লসি হায়রিবরা? হৌজিক হৌজিক মণিপুরগী লৈঙাক কনানা চলাইরিবগে? থিঙেন্দা তাইনবা ঙমদ্রগা নাসিখোংদা তাইনগে হায়রিবরা? অদুবু থিঙেনদি থিংদুনা লৈবনিনা ঈশিংদি চেন্দে, ঈশিং চেল্লিবদি নাশিখোংদা চেল্লি অদুনা নাসিখোংগী মথৌ য়াম্না চাওই হায়জবনি। থয়াইননা ৱা ঙাঙননুসি। ময়েক শেংনা শেংনা হেক্তা ফোঙদোক্লসি। নখোয়গী আই এল পিগী ফাইনেলগী খূৎয়েক তৌদ্রিবা অসি কোংগ্রেসনরা-বি জে পিনরা? শেংদোক্লসি। খূৎয়েক পীদ্রিবসি কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট ওইরি অদুনরা... বি জে পিনরা শেংদোক্লসি পাউখুম পীয়ু। খূৎয়েক্লা কোংগ্রেসনা পীদ্রগা মরালনা বি জে পিদা শিগে হায়রিবরা? মদুগী পাউখুমদি খূৎয়েক অদু বি জে পিনা লৈঙাক পায়রবনিনা মখোয়গী অয়াবা চঙই। অয়াবা অদু ফংদবনা প্রসিদেন্টনা খূৎয়েং তৌবা য়াদে, অফবা শাবগী ৱাখল থাদোক্লসি। অদু ওইরবদি অমসু অমসু য়ানগদবা মওংদা অমুক থাগৎলকউ, মসিদা লুরিবদি টোপিক হোংদোকপগী মওংদা লাক্লি। অদু ওইরবদি কৈ কিদুনা চেল্লগা শওম অমুক ওক্লবগী মওংদা লাক্লি। মতাং অসিদি অনাবা শঙ খনবগী তাঞ্জা য়ৌরক্লে। রাজনিতিৱালাশিং থম্মোয়দি শেংদনা মপান্দা অফবা শাবসি তোক্লরসি হায়জরি।

*অদোমগী - ডা. অকোইজাম্বা নারেন*
*নিংঙোম্বম ইম্ফাল ৱেষ্ট*